# মণিপুর ষ্টেট লীগ : এ এফ সী অমদি য়ু কে বি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯(ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা এথলেটিক ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী) অমদি য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স (য়ু কে বি) মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এথলেটিক ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী)না য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙবু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাহেংবম তেজকুমার মৈতৈনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা এ এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। প্রেমকুমার থাংজমনা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা এ এফসীগী অনীশুবা অদুগা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা মোইরাংথেম মালেমঙানবনা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। ললাম্বুং টিমগী গোল ২ অদুনা লুনগৌহাও হংশিংনা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী শান্নবগী ১৮ অমদি অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা গোল অনীমক চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা এ এফ সীগী খুন্দোংবম জোলি অমদি সহিদুর রাহমনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স (য়ু কে বি)না য়ারখোক য়ুনাইটেদ এফ সীবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু কে বিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লামথিয়ানলাল, মংলেনবোই নৈসেল, মঙ্গৌলেন এম হাওকিপ অমদি সৈমিন্থাং হাওকিপনা শান্নবগী ৪০, ৮৬, ৮৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা য়ু কে বিগী জোন ঙাইতেবু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

এন ঈ ইন্টর ষ্টেট জোনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা জুনিয়র, সিনিয়র মিক্স টিমগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস):
ত্রিপুরানা য়ূম্বু ওইদুনা অগরটালাদা চথুরিবা নোর্থ ইষ্ট জোন ইন্টর ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র অমদি সিনিয়র মিক্স টিম ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচশিংদা মণিপুরনা অসামবু ৩-২/৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

জুনিয়র টিম ফাইনেলগী বোইজ সিঙ্গলসতা অসামগী তনমোই বিকাশ বারুআনা ঐচ মালেমঙানববু ১৭-২১, ২১-৯, ২১-১০ অদুগা গর্লস সিঙ্গলসতা ইশারানী বারুআনা লিওনি তায়েঞ্জমবু ২১-৯, ২১-১১দা মায়থীবা পীরমখি।

মতুং তারকপা বোইজ দবলসতা ষ্টেটকী ঐচ রোহেনকুমার অমদি আর কে এলেনগী প্যেরনা অয়াদ রশিদ অমদি হিমানশি সেখর দাসপু ২১-১৪, ২১-১২; গর্লস দবলসতা ঐচ ভিলিন্দা অমদি এল দাইনাগী প্যেরনা অনকিতা গোগোই অমদি শান্তিপ্রিয়া হজারিকাবু ২১-১৩, ২১-১৩ অদুগা মিক্স দবলসতা সির্জিৎ মোইরাংথেম অমদি ঐচ ভিলিন্দাগী প্যেরনা তনমোই বিকাশ বারুআ অমদি ইশারানী বারুআবু ২১-১৯, ২০-২২, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, সিনিয়র টিম ইভেন্ট ফাইনেলগী মেন্স সিঙ্গলসতা মৈরাবা লুৱাংনা ওরিজিৎ চালিহাবু ১৩-২১, ২১-১৫, ২১-১২; মেন্স দবলসতা কে দিঙ্কু অমদি কে ঐচ মঞ্জিৎকী প্যেরনা সনগ্রাম চুটিয়া অমদি সুরজ গ্বালাবু ১৬-২১, ২১-১৪, ২১-১৮ অদুগা ৱিমেন্স দবলসতা কে প্রিয়া অমদি কে ঐচ মহেশ্বরীনা ইশারানী বারুআ অমদি মনালি বারুআবু ২১-১৭, ২২-২০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

# য়ু এস ওপন : ইগা স্বিওনটেক অমদি ওন্স জেবিয়র ফাইনেলদা থেংনরগনি

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ৯(এজেন্সী):
ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইগা স্বিওনটেকনা টুনিসিয়াগী ওন্স জেবিয়রগা চথুরিবা য়ু এস ওপনগী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা থাংজ নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইগা স্বিওনটেকনা এরিনা সভালেনকাবু ৩-৬, ৬-১, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা ওন্স জেবিয়রনা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অর্থর এশ ষ্টেদিয়মদা পুং ১গা মিনট ৬ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অদুদা জেবিয়রনা গার্সিয়াবু ৬-১, ৬-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

# রেসিদেন্সিএল ফুটবোল কেম্প হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯(ঐচ এন এস):
গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমস ২০২২গী নুপা অমদি নুপীগী ফুটবোল মশান্নগী মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা টিমগী রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# দুরান্দকপ: মোহমেদননা কেরলা ব্লাষ্টর্স থোইদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ৯ (এজেন্সী):
এভিওলা দোদানা চনখিবা গোল ২ অমদি ফয়াসকী গোল ১গী মতেংনা মোহমেদন স্পোর্টিং ক্লবনা কেরলা ব্লাষ্টর্স ফুটবোল ক্লবপু ৩-০দা ঙসি কোলকাটাগী ভি ৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী অহানবা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখ্রে।

মোহমেদন স্পোর্টিংগী মরুওইবা শান্নরোয় অনী ফাস্লু অমদি অভিসেক হল্ডর অশোকপা অমদি সস্পেন্সননা মরম ওইদুনা শরুক য়াখিদবা মেটচ অসিগী শান্নবা হৌরকপদগী মোহমেদননা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মার্কস জোসেপনা হেদিং তৌশিন্দুনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অনী গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি। মখা তানা য়ুম্নাম গোপিনা এটেম্পট অমা মিস তৌখ্রবা মতুং ফয়াসনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা মোহমেদনগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা এভিওলা দোদানা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা মোহমেদনগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৮৪ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা কেরলাগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা ফংখি অদুবু রোশন বিগিনা শোয়খিবদগী অরেম্বা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল থাংজ নুমিৎতা কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা বেঙ্গলুরু এফ সী অমদি ওরিষ্যা এফ সী শান্নরগনি।

# য়াইরিপোকনা দি এল সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯(ঐচ এন এস):
কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথুরিবা এল চন্দ্রকিশোর ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়াইরিপোক এফ সীনা দি এল সী হৈরোকপু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে। য়াইরিপোক্কী গোলশিং অদু সুভাশ, মকসুদ, তাজখান, নৱাজ অমদি প্রিতমনা চনখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা পথাপ এফ সীনা কে আর সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। এম দি মুষ্টোফানা পথাপ এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

# কে ৱাই ভি ও খা-জিরি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই ভি ও (এন) এস দব্লিয়ু সী খা-জিরিনা টি ৱাই দি এ তৌবুলবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

খা-জিরি টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোশন, দিদরসন, জুলেনজিৎ অমদি এল বোলেননা শান্নবগী ১১, ১৯, ৫৫ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

তৌবুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা য়ামৈথোই মকুংনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# এস দব্লিয়ু সী অমদি নিভসো দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা চথুরিবা মোইরাংথেম ইবোবী ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দব্লিয়ু সী অমদি নিভসো কৈবী ১-১দা দ্রো ওইখ্রে। এস দব্লিয়ু সীগী গোল অদুনা পি অভিনাশনা চনখি অদুগা কৈবীগী গোল অদুনা এন অভিজিৎনা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা সী এস সী চানুংবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। খুন্দ্রাকপমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেলভিন, দাইমন্দ অমদি লুনগৌলালনা চনখি।


# হৈরোক এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯(ঐচ এন এস):
মঙাল ফাউন্দেসননা শীন্দুনা হৈরোক্কী সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা মাইপাকপী ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা হৈরোক এফ সীনা রিয়াল লাংঙথেলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

রোশন অমদি প্রেমজিৎনা মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা নেসা নোংপোক সেকমাইনা মৈপোকপী এফ সীবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা এ এম এল দি এ অরাপ্তি অমদি য়েস হৈরোক ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 568**

**Peter Balint (2067) - FM Vaclav Finek (2397)**
**Skalica Open 2022 Skalica SVK, 2022.08.21**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 g6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Bg7 |
| 5.c4 Nc6 | 6.Be3 Nf6 | 7.Nc3 O-O | 8.Be2 d6 |
| 9.O-O Bd7 | 10.Qd2 Nxd4 | 11.Bxd4 Bc6 | 12.f3 a5 |
| 13.b3 Nd7 | 14.Be3 Nc5 | 15.Rab1 e6 | 16.Rfc1 Be5 |
| 17.Bg5 Qb6 | 18.Kh1 f5 | 19.Bh6 Rf7 | 20.exf5 Rxf5 |
| 21.Be3 Raf8 | 22.Qe1 Qd8 | 23.a3 a4 | 24.b4 Nb3 |
| 25.Rd1 Qf6 | 26.Ne4 Qe7 | 27.Nc3 Qg7 | 28.Rd3 Nd4 |
| 29.Qd2 Nxe2 | 30.Nxe2 Rh5 | 31.f4 Qh6 | 32.Bg1 Rxf4 |
| 33.Ng3 Rhh4 | 34.b5... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 567 Ans. :**

42. ...e3+ With a discovered check by the black bishop. 43. d5 Rxf1 The black rook captures White's rook, which was defending the square e1. 44. Rxf1 Qxf1+ The black queen clears the way for Black's king to the square f7. The black queen captures White's rook, which was defending the square e1. 45. Bxf1 Rxf1+ 46. Kg2 e2 47. Qb8+ Kf7 48. Qxb7+ Kg6 49. Qb8 e1=Q
0-1




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com